ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)

cbc 35101/13/0088/2526
ঐহাক্না ঐহাক্কী
খুঙ্গং মখা তানা
থাদোক্লরোই
চাং নাইবা খুৎশুমলশিংগা লোয়ননা, ঐনা ঐগী য়ুমদা চেকশিন্না লৈবা ঙম্লগনি, ঐগী ইচাশিং, অমসুং ঐগী লম্বু সহরশিংদা হোংবগী মহুত্তা।
125 নুমিৎ রোজগার এমপ্লোইমেন্ট গারেন্টি
গভর্মেন্ট ওফ ইন্দিয়া
বিক্সিট ভারত -
গরেন্টি ফোর রোজগর অমসুং
অজিবিকা মিশন (গ্রামিন) : ভিবি-জি রাম জি
(বিক্সিট ভারত - জি রাম জি) এক্ট, ২০২৫

Vol. 49, Issue No. 290 | য়ুমশকৈশা, ফাইরেনগী ১০নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, January 28, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## মথং থাগী অহানবা চয়োলদা মণিপুর লৈঙাক শেম্লবা য়ানা লৈরে বি জে পিগী সিনিয়রমোষ্ট এম এল এ ১বু সী এম ওইহল্লক্কনি থাজনরি



### রিপব্লিক দে নুমিৎকী নুংথিলদা গভর্ণরনা পাঙথোকখিবা 'এট হোম'গী থৌরমদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং এম এল এ কয়া লাকখিদ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচএনএস) :** ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিবু সস্পেণ্ডেদ এনিমেশনদা থম্লগা প্রসিদেন্টস রুল চলাইরকখিবগী অনীশুবা থা ৬কী তাঙ্কক মথং থাগী ১২দা লোইরগদবনা মসিগী মমাঙ মথং থাগী অহানবা চয়োলদা মণিপুরদা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা সেন্টরগী লুচিংবশিংনা শোয়দনা লৈহল্লকপা য়াবগী থাজবা য়াম্না ৱাংনা লৈরে।

থাজবা অসিগী মথক্তা হন্দক্তা দেল্লীদা চৎলুবা য়াওনা পার্টি অসিগী এম এল এশিংনসু ষ্টেট অসিদা মীয়ামগী লৈঙাক অমা অমুক হন্না লৈহনবদা অয়াবা পীরে হায়বগী ৱাফম ফোঙদোক্লবা লৈখ্রবনি। মরম অসিনা পি আর লৈঙাক অসিগী চহী অমগী মতম মপূং ফাগদবা নুমিৎ ১৬নি খক্তমক ঙাইশিল্লকপগা ইরোয়ননা বি জে পিগী নেশনল লিদরশিং য়াওনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা পি আর লৈঙাক অসিগী অরোইবা নুমিৎ য়ৌরক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট অমা শোয়দনা লৈহন্নবা অকনবা থবক লৌখৎলে হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা, অনৌবা লৈঙাক অমা অমুক হন্না লৈহন্নবগী থবক লৌখৎলকপগী মনুং চন্না লৈরক্কদৌরিবা লৈঙাক অদুবু লুচিংগদবা 'চীফ মিনিষ্টর' গী ফম্বু এম এল এ কনাদা শিন্নগদগে হায়বদুসু লৈখাই তানা লেপথোক্লে হায়রি।

বি জে পিগী ওইনা মহৌশাদগী চৎনরকপা কাঙলোনগী মনুং চন্না চীফ মিনিষ্টরগী ফম অসি হৌজিক লৈরিবা বি জে পিগী এম এল এ ৩৭কী মনুংদা পার্টি অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## রিপব্লিক দে নুমিৎতা জেদ য়ু এফনা কাংপোকপীগী কে সোংলুং খুলগী ভিলেজ চীফ ১সুং মহাক্কী নুপী, মচানুপা পুন্দুনা থম্লগা য়ুম ৩, লৌতাংশঙ ৪ মৈ থাদোক্লন্লে



জেদ য়ু এফ (কামসোন) গী কাদরশিংনা মৈ থাদোক্লমখিবা য়ুম অমসুং মারুটি জীপসি, সিক্যুরিটি ফোর্সনা থৌদোক থোকফমদা লাক্লুনা য়েংশিনবা (য়েৎ)

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচএনএস) :** ঙরাং লৈবাক্কী মফম পুম্নমক্তা পাঙথোকপগুম্না ষ্টেট অসিদসু মহৌশাগুম্না কংলা মনুংদা গভর্ণর এ কে ভল্লানা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা ৭৭লকশুবা লৈবাক অসিগী রিপব্লিক দে নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকপা লোইশিল্লকপা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ রোম তারকপদা জেলিয়াংরোং য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট (কামসোন ফেক্সন) গী খুৎশু-খুৎলায় মতিক চানা পায়বা কাদরশিংনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না কাংচুপ পুলিস ষ্টেশননা কোল্লিবা কে সোংলুং পার্ট টু খুলগী য়ুম অহুম, লৌতাংশঙ মরি, মারুটি জীপসি অমা য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া মৈনা তুম্না থাদোক্লন্লে।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা থৌদোক থোক্লিবা মফম অসি কাংচুপ পি এসতগী নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ২৩ রোম লাপ্লা লৈবনি হায়রি।

খুল অসিদা জেদ য়ু এফকী খুৎশু-খুৎলায় মতিক চানা পায়বা কাদর ২০ লোম্না নুমিৎয়ুংবা মতুংদা খঙহৌদনা চঙশিল্লক্লগা খুল অসিগী চীফ সেমখোলাল হাওকিপ অমসুং মহাক্কী মচানুপাবু ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## গভর্ণরনা নেশনল ফ্লেগ পাইহন্দুনা ৭৭লক শুবা রিপব্লিক দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচএনএস) :**

লৈবাক অসিগী নেশনল কেপিটেল দেল্লী য়াওনা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদসু পাঙথোক্লখিবগুম্না ঙরাং ইম্ফালদসু কংলা মনুংদা গভর্ণর এ কে ভল্লানা নেশনল ফ্লেগ পাইহনবগা লোয়ননা মার্চ পাষ্টকী কন্টিঞ্জেন্টশিংনা পীবা সেল্যুট ওক্লুনা নুমিৎ অসিগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা আই পি এস প্রোবেশ্নর অভিজিৎ পান্দেনা কম্মান্দ তৌবা গার্দ ওফ ওনরবু গভর্ণরনা য়েংশিল্লবা মতুংদা লৈবাক অসিগী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহন্দুনা পাইহনখিবনি। থৌরমগী মনুং চন্না ৮শুবা মণিপুর রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট এন মধুনিমাইনা পেরেদ কম্মান্দর ওইদুনা লুচিংলকখিবা মার্চ পাষ্ট কন্টিঞ্জেন্টশিংনা পীবা সেল্যুটসু গভর্ণরনা ওকখি।

পূন্না কন্টিঞ্জেন্ট ৬৭না গভর্ণরদা সেল্যুট পীবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকপা কলচরেল গ্রুপ১৪নসু জগোয়-ঈশৈগী থৌরমশিং পাঙথোকপগা লোয়ননা লোয়শঙ খরগী টেব্লোসু উৎখি।

থৌরমগী মনুং চন্না সী আই দি - এস বিগী দি এস পি সোরোকখাইবম রুদ্রনরায়নদা প্রসিদেন্টস মেদল ফোর দিষ্টিঙ্গ্যুজ সর্ভিস খূৎশিন্নখি। অদুগা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## সাইতোন ঙানুকোনদা মথোং খঙদবশিংনা কিলো ১৫ রোম লূম্বা পাইপ বোম ১ শাননবা থৌরাং তৌরম্লে



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী ৫দা মথোং খঙদবা কুকি-জোশিংনা সাইতোন ঙানুকোনদা বোম অনী খন্ত্রাংননা পোকখায়হল্লক্তুনা নুপী অমা য়াওনা মীওই অনী অশোক অপন নংহনখ্রবা মতুংদা ফৌগাকচাও ইখাই পুলিসনা কোনবা সাইতোন ঙানুকোন ৱার্দ নম্বর ৭কী লৌবুক্তা মথোং খঙদবশিংনা পূন্না কিলোগ্রাম ১৫ রোম লূমগদবা অচৌবা বোম অমা পাইপ অমদা হাঞ্জিন্দুনা শেম্নবা থৌরাং তৌরম্বদগী পুলিসকী বোম দিস্পোজেল স্কৱাদনা ১৭১-সী আর পি এফকা খূৎশম্নুনা শিদোক্লগা মায় পাকহনখিদ্রে।

### মোরাদা গ্রেনেদ থম্লম্লে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচএনএস) :**



ঙসি নুংথিল পুং ৩ লোম তারকপদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লম্লাই পি এসনা কোনবা চনা খুলদা লৈবা ক্ষেত্রিময়ূম ঙাইরাংচান্দ (৩৮) ...মখা লমায় ৩ কলম ২

পাউ অসিনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## চীংঙামখা লিৱা লম্বী, কাঞ্চিপুরদগী শীংজমৈ ফাওবগী লম্বীগী পোটহোলশিং মেননিশন্দবনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচএনএস) :** শীংজমৈ অমদি লংথবাল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অনী ফাওদুনা চৎলিবা শীংজমৈ চীংঙামখাদগী হৌরগা কাঞ্চিপুরগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ফাওবা তারিবা কিলোমিটর ৩.৫ রোম শাংবা লিৱা লম্বী হায়না খঙনরিবা মী য়াম্না কূংনা চৎথোক-চৎশিন তৌনরিবা লম্বী অসি মতম চানা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙদবদগী হৌজিক লম্বী পরিং অসিগী মফম কয়াদা কোয়লাস মশক উবা ফংদবগা লোয়ননা পোটহোল ময়াম মেনশিন্দবদগী মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খম থেংনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে। ...মখা লমায় ৮ কলম ১

### ডা. এল এম সিংহ মণিপুরগী মপান্দা চৎকনি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচএনএস) :** ডা. এল এম সিংহ (দি এম-গেষ্ট্রোএন্টরোলোজি) থা অসিগী ২৯দগী নুমিৎ ৫নি রোম মণিপুরগী মপান্দা চখোক্কনি হায়না মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লক্লি।

## মিলিটরি এক্সর্সাইজদা আর্মি জৱান ১ মখ্বাং তেক্লুনা শোক্লে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ (ঐচএনএস) :** নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী হৌরদুনা চীং অমসুং তমগী ভলনরেবল অমসুং ফ্রীঞ্জ এরিয়ানি হায়না খঙদোক্লবা মফমশিংদা লাম্মীনা হেলিকোপ্টর শীজিন্নদুনা মিলিটরি এক্সর্সাইজ চখরকপগী মখা তারকপদা ঙসিসু হেলিকোপ্টরদগী থৌরী থাদরগা মসিদা পায়দুনা কুমথরকপগী এক্সর্সাইজ পাঙথোকপদা জৱান ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### ফেব্রুৱারী ১, ২০২৬তগী ওইল পম্প ২ অথিংবা থম্লে : জি-৫

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ :** 'জি-৫' হায়না খঙনরক্লিবা কে সী পি, কেৱাই কেএল, প্রিপাক, প্রিপাক-প্রো অমসুং য়ু এন এল এফকী মায়কৈদগী ঙসি থোরকপা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### মীৎয়েং চঙলগনি : য়ু পি পি কে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৭ :** য়ুনাইটেদ পিপলস পার্টি ওফ কংলৈপাক (য়ু পি পি কে) গী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

MHHDCL
Organised by :
Manipur Handloom & Handicrafts Development Corporation Ltd. Paona Bazar, Imphal
VIRAASAT
India Handloom
Sponsored by :
Office of the Development Commissioner (Handlooms)
Ministry of Textiles, Govt. of India
www.handlooms.nic.in
वस्त्र मंत्रालय
MINISTRY OF TEXTILES
#MyHandloomMyPride #Vocal4Local
GANDHI BUNKAR MELA
25 JAN. - 7 FEB. 2026
11:00 AM to 8:00 PM DAILY
Handloom Haat, Janpath, New Delhi

Apparels, Home Furnishings, Home Decors, Gifts items, Black Potteries, Kouna Products etc. made by local Weavers & Artisans.
HL-B/11152/28

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যোরেগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫